**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 31-03-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী চণ্ডৌবুং খুলদা ওপরেসন চথবদা মেগজিন নাইন এম.এম. কন্ত্রিমেট পিস্টোল অমা, মরু মঙা য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইব এম.এম. পিস্টোল অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি পুন্না ৫২০ রোম সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌরক্লে হায়রি। পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১২৫ হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুরি।

**মীখল (এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা ভারত্তিয়া জনাতা পার্টি (বি.জে.পি) অমসুং নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) পুন্না চৎমিন্নগনি হায়বা তাকপা ওইনা ঙরাং দল অনি অসিনা মাগী মাগী দলগী ফিরাল পীনখ্রে।

ঙরাং নিত্যাপাক চুথেক্তগী লৈবা বি.জে.পি. ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদানা এন.পি.এফ. মনিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট-অৱাংবৌ ন্যুমাইদা বি.জে.পিগী ফিরাল খুৎশিন্নখি। শ্রী অৱাংবৌ ন্যুমাইনসু এন.পি.এফকী ফিরাল এ. সরদা দেবীদা খুৎশিন্নদুনা দল অনি অসি চৎমিন্নরি হায়বা তাকখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এশিং অমসুং এন.পি.এফকী মরুওইবা

লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**আইদি (এল):** রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীয়ামনা ভোট থাদবদা শিজিন্নগদবা আইদেন্টিটি কার্ড (আই.দি) দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারদগী লৌরবা য়ারগনি হায়রি।

জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিলা অমগী এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসারদগী মাগী মাগী আই.দি. কার্ড অদু লৌবা য়াগনি হায়রি নৎত্রগনা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ৱেব সাইটতগী দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি।

**স্ক্রিনিং (এল):** লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনিথোকা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মেদিকেল গাউন্দা ইলেক্সন দ্যুতি ককপিয়ু হায়না দিপ্যুতি কম্মীসনরদা চে থারিকখিবশিংগী মেদিকেল বোর্দ ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

চিফ মেদিকেল ওফিসর বিষ্ণুপুর-ডা: এল. রাইচন্দ্র সিংহনা মেদিকেল বোর্দকী চিয়রমেন ওইদুনা চথখিবা মেদিকেল স্ক্রিনিং অদুদা স্পিসিয়েলিস্ত দোক্তরশিংনা এপ্লিকেসন থারকখিবা মীওইশিংগী হেলথ চেক অপ অমদি চে চাংশিং কুপা ভেরিফিকেসন তৌখি। মেদিকেল বোর্দকী মীফম অদুদা মীওই ৯৯ ভেরিফিকেসন তৌখি। মদুগী মনুংদা নুপা ৪৭ অমসুং নুপীনা ৫২ নি।

**চুরাচান্দপুর (এল):** আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী জেনরেল ওবজাভর-উজৱাল কুমার অমদি পুলিস ওবজাভর-বাইভব কৃষ্ণনা চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা মীখলগী শেম শারিবশিং ঙরাং য়েংশিনখ্রে।

মখোয় অনিনা জিলা অদুদা লৈবা রাজ্য বিধান সভা মরিগী স্ত্রোং রুমশিং

অমদি স্পিপসিএল পোল্লিং ষ্টেসনশিং য়েংশিনখি।

ফেরজোল জিলাগী রাজ্য বিধান সভা অনিগী ফিভমসু মখোয়না অনিনা য়েংশিনখি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কাংপোকপী জিলাগী ওইনা অহানবা রাউন্দগী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেন্নিং মায় পাকা পাঙথোকখ্রে হায়না জিলা অসিগী ইলেক্সন ওফিসারনা হায়রি।

কাংপোকপী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেশ চৌধরিনা হায়-ত্রেন্নিং অদুদা নুপী পোল্লিং পার্সোনেল ৭৭ শরুক য়াখি। মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ত ঙাকা চৎননবা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়নসু দি.সিনা মখা তাখি।

**ভিক্সিন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা য়ুমদা য়োকপা হুই-হৌদোংশিংদা এন্টি রেভিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক পাক শন্না চথরি।

ঙরাংসু বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল নাওরেম অৱাং লৈকাই অমসুং নম্বোল ওইনামদা এন্টি রেভিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা পুন্না হুই-হৌদোং ২৭০ রোমদা ভেক্সিন কাপথোকখি।

**ইস্তর সন্দে (এল)ঃ** ইস্তর সন্দেগী থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননাা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম অখন্ননা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-যিশু খৃষ্টনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক শিরন্বদগী হিংগৎলকখিবা অদু কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসি নুংশিবা অমসুং শান্তিগী পাউজেল পুবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অচুম্বা, ঙাকপীবা অমসুং কৎথোকপগী

লন্বীদা চংশিনবা ঙম্বা ওইরসনু। যিশু খৃষ্টতনা শান্তি অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা পীরম্বা পাউতাকশিং অদু ইনদুনা চৎলসি হায়নসু রাস্ত্রপতিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানসু নুমিৎ অসিনা লাকপা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মনিপুরদসু ইস্তর সন্দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকরি। নোনে জিলাদসু খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা ইস্তর সন্দেগী থৌরম লাইনিং লাইশেলগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

**নোংঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা অখাক অরাওগা লোয়ননা মখা তানা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট ওফিসনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়-ঙসিদগী হৌরগা মনিপুর, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মিজোরাম অমসুং মেঘালয়গী মফম খরদা নোং কন্না চুবা অমসুং উন তাবগী থৌওংশিং থোক্লবা য়াই। উরিষ্যা, নোংচুপ বেঙ্গোলগী গঙ্গেতিক,ঝরখন্দ, বিধরবা, ইষ্ট মধ্য প্রদেসতসু অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

## --নিয়ুজ হেদলাইন--

য়াওশং কুম্মৈগী ছুতিনা মরম ওইরগা নুমিৎ মঙানি ফোংলুদ্রবা মতুং ঙসিদগী ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনরে। পাউচে অয়াম্বদা লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈনবা পাউশিং তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন অসি বেন্নর হেদলাইননি। হেদলাইন অসিদা ইন্নরদা মীরেপ তরুক, আউটরনা মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরগনি। মীখলগা মরী লৈননা শেম শারিবশিং ইলেক্সন কম্মিসননা রিভিয়ু তৌখ্রে হায়বা ৱাফম ফোংলি।

হেদলাইন অসিগা মান্নবা পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোক ফম অমসুং নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকল হায়রিবা পাউচেশিংগী অসিগী অহানবা হেদলাইনদা ফোংবা থেংনরে।

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি মীরেপ চে লৌথোকখিদ্রে, ইন্নরদা মীরেপ তরুক, আউটরদা মরিনা লম্বা তৌনরগনি। মমাংগী মীখলশিংদা মান্নদবা মওংদা মীরেপ ওইরিবশিংগা সোসিএল মেদিয়াবু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরি হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিনি। হেদলাইন অসিগী মনুং চনবা অতোপ্পা পাউ অমদনা কাইকু ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরে, এম.পি.পিনা শৌগৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন অসি, সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্তোরেল বোন্দস স্কিম থিংজিনদ্রিঙৈদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর অমগী বোন্দ লিশিং ১০ নমবা অয়াবা পীরমখি হায়না হেদলাইন অসিনি।

এ.কে. বিমোলদা কিহল্লকখ্রে। অথুবা মতমদা সেক্যুরিতি পীবিনবা হায়জখ্রবসু থওইদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইননি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা শকখঙদবশিংনা প্রোফেসার বিমোল থিরল্লে। ৱাকৎপদগী সেক্যুরিতি পার্সোনেল ১০ পীরকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পীরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

খুরাইজম অথৌবনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পুকিং চিংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইনি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক লাঞ্জেন্নরবা মীয়ামগী আই.দি. শেম শাবা লোয়রে হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইননি।

মনিপুর ন্যুজকী এঙ্কর কলমদা য়াউশং মনুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা ১১ য়াওনা য়াল্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

মনিপুরদা খরশাশিং লেপ্তুনা হাৎলকপদগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে, মীয়ামা ৱাখল খন্থবা মতম য়ৌরে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।